

উত্তর প্রদেশকী বাঘপট খুঙ্গংদগী হৌরকখিবী মীয়াম্না 'শুটর দাদি' হায়না খঙনরিবী মমিং লৈরবী শুটর অমা ওইনা মশাগী চহী য়াম্লবসু কম্পিটিসন কয়া শরুক য়ারমখিবী কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা ঙসি লৈখিদ্রবী চহী ৮৯ শুখ্রবী চন্দ্রো টোমার

পোর্টুগাল মচা মমাংদা ইংলেন্দগী মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতা শান্নরম্বদগী স্পেনগী রিয়াল মাদ্রিদতা মতম শাংনা শরুক য়ারম্লবা মতুং হৌজিক-হৌজিক ইটালিগী য়ুভেন্টসতা শান্নরিবা রোনাল্ডোগী মথক্তা চার্জ তৌরদুনা লুপা ক্রোর ৫৭৯ দিমান্দ তৌরকখিবী মোদেল মায়োর্গা



## চেক রিপব্লিককী কেরোলিনা প্লিস্কোভানা য়ু এসকী সী গোফপু থোইদুনা মাদ্রিদ ওপনগী ২শুবা রাউন্দ চঙখ্রে



মাদ্রিদ, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী):

স্পেনগী কোনুং মাদ্রিদতা পাঙথোকপা য়ু এস দোল্লর ৭,০২১,১২৮কী শেলগী মনা লৈবা ৱিমেন্স টেন্নিস এসোসিএসন টুরগী মনুং চনবা মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস চেম্পিয়নশিপকী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা ৬শুবা সিদেদতা শরুক য়ারকখিবী চেক রিপব্লিককী কেরোলিনা প্লিস্কোভানা য়ু এস এগী সী গোফপু মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা য়ু এস এগী শান্নরোয় গোফনা প্লিস্কোভাগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৭-৫দা থোইখি। অদুবু এক্সপরিয়েন্স লৈরবী প্লিস্কোভাগী মায়কৈদগী থংনবা সেট অনীদা গোফকী সর্ভিস গেম ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬-৩, ৬-২দা থোইরগা অনীশুবা রাউন্দদা অতোপ্পা য়ু এস এগী শান্নরোয় মেদিসন কিজপু মায়থীবা পীরম্বী রসিয়াগী পাব্লু চেনকোভাগা শান্নরগনি।

ৱর্ল্দ নম্বর ৱান ওষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্টিনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা য়ু এস এগী এস রোজরসপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ইকোম কোম্না ৬-২, ৬-১দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনিজ টাইপৈগী সৈসু ৱৈবু থোইরম্বী স্লোভেনিয়াগী টি জিদান শৈককা লম্বা তৌনরগনি।

রসিয়াগী শান্নরোয় অনীগী লম্বাদা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা এরিয়না ভেস্লিনাবু ভি কুদরমেটোভানা ৬-১, ৬-৪দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা স্পেনগী জিমিনেজপু থোইরম্বী ওষ্ট্রিয়াগী কিকি বর্টেন্সকা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ ওইরিবী জপানগী নাওমি ওসাকানা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা অতোপ্পা জপানগী শান্নরোয় এম দোইবু ৭-৫, ৬-২দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনাগী ক্কাং ৱাংবু মায়থীবা পীরম্বী চেক রিপব্লিককী কে মুকোভাগা লম্বা তৌনরগনি।

অহুমশুবা সিদেদ ওইরিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা স্পেনগী সোরিবস টোর্মোবু ৬-০, ৭-৫দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা পোলেন্দগী এন লিনেটপু সেট ২-১দা থোইরম্বী চাইনাগী এস ঝেংগা লম্বা তৌনগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ বেলারুসকী এরিনা সভালেনকানা মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা রসিয়াগী ভিরা বোনারিভাবু ৬-১, ৬-২দা থোইরগা রোমানিয়াগী আইরিন বেগুবু সেট ২-১দা থোইরম্বী রসিয়াগী দারিয়া কসাটকিনাগা অনীশুবা রাউন্দ শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৯শুবা সিদেদ চেক রিপব্লিককী পেট্রাকিটোভানা মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা অতোপ্পা লৈবাক অদুমক্কী শান্নরোয় এম বোস্কোভাগা লম্বা তৌনবদা সেট অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরবা মতুং অনীশুবা সেটতা বোস্কোভাবু রিটায়র্দ তৌখিবদগী অনীশুবা রাউন্দদা অতোপ্পা চেক রিপব্লিককী শান্নরোয় এম বোন্দ্রোসোভাবু মায়থীবা পীরম্বী জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরগা অনীশুবা রাউন্দগী লম্বাদা মায়োক্লগদৌরি। স্বিজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিকনা ফ্রান্সকী লাদেনোবিচপু থোইদুনা ২শুবা রাউন্দ চঙখি।

## পঞ্জাব কিংসকী ওপনর রাহুলগী রন ৯১না রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরবু রন ৩৪দা থোইহনবা ঙমখ্রে









অহমেদবাদ, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী):

ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি অহমেদবাদতা লৈবা নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ২৬শুবা মেটচতা পঞ্জাব কিংসকী ওপনর কে এল রাহুলগী য়াম্না ফজবা রন ৯১না রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরবু রন ৩৪দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা পঞ্জাব কিংসকী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা বেটসমেন ৫খক আউট ওইরগা রন ১৭৯ লৌবা ঙমখি। ওপনর প্রবশিমরন ইন্নিংসকী ৪শুবা ওভরদা রন ৭ খক লৌরম্লগা আউট ওইখি। অদুবু অহুমশুবা বেটসমেন খৃস গেল অমদি কে এল রাহুলনা পঞ্জাব কিংসকী স্কোর অদু ৯৯ ফাওবা পুখৎলকখি।

খৃস গেল বোল ২৪ মায়োক্লবদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৬ য়ৈরম্লগা রন ৪৬ লৌদুনা লৈরিঙৈ অপূনবা স্কোর ৯৯দা মহাক আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা পুরান রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। মখা তানা চঙলকপা বেটসমেন অনী দিপক হুদা রন ৯দা আউট ওইখ্রবা মতুং মহাক্কী মহুৎ শিনখিবা শাহরুক খান রন লৌদনা আউট ওইখি। মশাগী রন ৫০ লাম্হোক্লবা কে এল রাহুলনা ৭শুবা বেটসমেন হরপ্রিট ব্রারগা ইন্নিংস অদুগী স্কোর ১১৮দগী হৌরগা ১৭৯ ফাওবা আউট ওইদনা শান্নখি। রাহুল বোল ৫৭তা সিক্স ৫ অমদি ফোর ৭ য়ৈরগা রন ৯১দা লৈখি।

মেটচ মায় পাক্লনবা রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা রন ১৮০ লৌনবা হোৎনরকপদা ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা বেটসমেন ৮ আউট ওইরগা রন ১৪৫ খক লৌখিবদগী মেটচ অদু পঞ্জাব কিংসনা রন ৩৪দা থোইখি।

ওপনর ভিরাট কোহলিগী রন ৩৫, অহুমশুবা বেটসমেন রাজট পটিদরগী রন ৩১ অমসুং ৯শুবা বেটসমেন হর্শল পটেলগী রন ৩১না রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরবু পঞ্জাব কিংসকী মখূৎতা রন ৩৪দা মায়থীবদগী কনবা ঙমখিদে। পঞ্জাব কিংসকী বোলর হরপ্রিট ব্রারনা বেটসমেন ৩ লোয়নন্না অতোপ্পা বোলর রবি বিস্নোইনা ৱিকেট ২ লৌরগা টিম অদুবু ফজহনখি।

## সচিন তেন্দুলকরনা 'মিসন ওক্সিজেন'দা লুপা ক্রোর ১ মতেং ওইননবা দোনেট তৌখ্রে



ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী):

মালেমগী ক্রিকেটতা মমিং লৈরবা বেটসমেন ইন্দিয়াগী সচিন তেন্দুলকরনা তোঙান-তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লান্থেংনবা হোৎনরকপদা ওক্সিজেনগী অৱাৎপা লৈরকপা অসি মতেং ওইননবা লুপা ক্রোর ১গী শেনফম দোনেট তৌখ্রে।

পনবা য়াবদি, নহা ওইরিবা ওন্ট্রপ্রেন্যুর ২৫০ হেনবনা 'মিসন ওক্সিজেন' হায়না মিংথোনবা ইন্দিয়াগী হোস্পিটালশিংদা ৱাৎলিবা ওক্সিজেন লৈননবা ফন্দ খোমগৎপগীদমক্তা কিটো হায়না মিংথোনবা ৱেবসাইট অমা শেমদুনা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী ওক্সিজেন লৈননবা হোৎনরকপনি।

তেন্দুলকরনা ফোঙদোকখিবদা, হায়রিবা ৱেবসাইট অদুগী খূথাংদা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং অহেনবা মশীং লৈবা ঙম্নবা লুপা ক্রোর ১গী মতেং অদু মিসন ওক্সিজেনদা দোনেট তৌখিবনি। লৈবাক অসিদা হৌজিক মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভ অসিদা পীরিবা চৈথেং অসিবু মায়োক্লনবা হোৎনবদা হোস্পিটালশিংদা কোভিদ পোজিটিভ ওইদুনা লায়েংলিবা অনাবশিংগী ওক্সিজেনগী অৱাৎপা লৈরকপদগী মীওই কয়া অমসু লৈখিদবা য়াওরবনি। লোয়নন্না হোস্পিটাল খরদি থিংজিনবা ফাওবা য়াওরে হায়না ফোঙদোক্লরক্লি।

ৱেবসাইট অসিনা ঙসি ফাওবদা মখোয়না পান্দম থন্লিবা লুপা ক্রোর ৩৫গী ফন্দ দ্রাইভ অদুগী মতুংদা ১৭ শুবা ঙম্লে হায়রি। দোন্নরশিংগী মনুংদা সচিন তেন্দুলকরনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি।

## গোৱানা য়ূম্বু ওইদুনা লোইশিনখিবা এসিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগকী কোচশিং ওইখিবা লোরেন ব্লাঙ্ক অমসুং য়াহিয়া গোলমোহামাদিনা ওর্গনাইজরশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে









ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী):

এসিয়াগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদেরসনগী মখাদা পাঙথোকপা এসিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী গ্রুপ ঈগী মেটচশিং অদু ইন্দিয়াগী গোৱাদা লৈবা মারগাওগী ফটোর্দা ষ্টেদিয়মদা মপূং ফানা শিনখিবা অদুবু কটারগী ফুটবোল ক্লব অল রায়নগী কোচ লোরেন ব্লাঙ্ক অমদি ইরানগী গ্রুপ অসিগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা পর্সেপোলিসকী কোচ য়াহিয়া গোলমোহমাদিনা ওর্গনাইজরশিংবু থাগৎতুনা অপেনবা ফোঙদোকখ্রে।

অল রায়নগী টিমগী অরোইবা মেটচ অদু পর্সেপোলিসকা শান্নবদা পাঞ্জল ২-৪দা মায়থীবা নংখি। মমাংদা ফ্রান্সকী মকোক থোংবা ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেনগী কোচ ওইরম্লবা লোরেন ব্লাঙ্কনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯গী ফীভম অসিদা গোৱাদা গ্রুপ ঈগী শিনখিবা মেটচশিং অদুদা অপেনবা ফাওই হায়খি।

অমরোমদা, গ্রুপ ঈগী মকোক থোংবা ঙমখ্রবা ইরানগী পর্সেপোলিসকী হেদ কোচ য়াহিয়া গোলমোহামাদিনা ফোঙদোকখিবদসু ইন্দিয়াগী ফুটবোল পামজবা ভাবোক কয়া অমা ক্লব অসিদা অপেনবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোরকখিবা অদুবু নুংঙাইবা ফাওই। মমাংদা ইরানগী ইন্টরনেসনল ফুটবোল প্লেয়রসু ওইরম্লবা য়াহিয়া গোলমাহামাদিনা ইন্দিয়া অমসুং মখোয়গী লৈবাক ইরানগা তুংদা নক্লবা মরী থম্নবদা ফুটবোল মশান্না অসিনা হেন্না কান্নবা পীরগনি হায়খি।

নাকল অমরোমদা, এফ সী গোৱাগী এসিষ্টেন্ট কোচ ওইখিবা ক্লিফোর্দ মিরান্দানা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্কী নহা ওইরিবা টিমগী শান্নরোয়শিং অদুনা এসিয়াগী মকোক থোংবা ক্লবশিংগা লম্বা তৌনরকপদা মখল অমত্তগী হন্থবা অমদি নুংঙাইতবা লৈখিদে। গ্রুপকী মেটচ লোইশিল্লকপদা এফ সী গোৱানা অহানবা ওইনা ইন্দিয়াগী ক্লব অমনা এসিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগ শরুক য়ারকপদা পোইন্ট ৩ ফংবা ঙমখিবা অসি ক্লব অসিগী ওইনা য়াম্না চাওথোকচনিংঙাই ওইখি। ইন্দিয়ানা পর্সেপোলিস, অল রায়নগী মথংদা গ্রুপ ঈগী অহুমশুবা পোজিসন তাখিবনি।

## ওষ্ট্রেলিয়াগী আই পি এল শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিং ময়ূম হনখিবদা অচৌবা ফাইন থীবগী চৈরাক ফংগদৌরি

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী):

ওষ্ট্রেলিয়াদা ফোঙবা 'সিদনি মোর্নিং হেরাল্ড' গী রিপোর্ট অমদা লৈঙাক অদুনা ইন্দিয়াদগী লাকপা মীপূম খূদিংমক অচৌবা শেনফম ফাইন ওইনা থীবদা নৎতনা কৈশুমশঙ ফাওবদা থম্বা য়াবগী থবক থৌরমশিং লৌখৎলে হায়না ফোঙদোরক্লি।


রিপোর্ট অদুনা মখা তারদুনা ওষ্ট্রেলিয়া লৈবাক অদুমক্তদসু কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভকী চৈথেং মায়োক্লরিবনি। মরম অদুনা অনৌবা ৱেভ অসিগী ওইনা কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্না মায়োক্লরিবা ইন্দিয়াদা চথরিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসিদা ওষ্ট্রেলিয়াদগী শান্নরোয় ১৪ হৌজিক-হৌজিক লৈরি। শান্নরোয় ১৪দা নৎতনা তোঙান-তোঙানবা ক্লবশিংগী কোচ/ সপোর্ট ষ্টাফ অমদি টেলিভিজন কম্মেন্টরি টিমদসু কয়া অমা য়াওরি। ইরাইগী নুমিদাংদা ওষ্ট্রেলিয়াগী পাউগী চেন্নেল অমা ওইরিবা নাইন ন্যুজ দা ফোঙদোকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না ওষ্ট্রেলিয়া লৈঙাক্না ইন্দিয়াদগী লাকপা মীওইশিং অদুগী মথক্তা য়ু এস দোল্লর ৬৬,০০০গী ফাইন থীহনবা নৎত্রগনা চহী ৫ কৈশুমশঙদা লৈবগী চৈরাক য়াওরি হায়রি।

রিপোর্ট অদুনা মখা তারদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ফেদরেল হেল্থ মিনিষ্টর ওইরিবা গ্রেগ হন্টনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অদুনা মমাংদা বোর্দরশিং থিংজিনবগী এক্ট অমা ওইরিবা বাইও সেক্যুরিটি এক্টকী মখাদা পাৱর শীজিন্নদুনা ইন্দিয়াদগী লাকপা মীওইশিং অদুগী মথক্তা অথিংবা অসি থম্লক্লিবনি। পনবা য়াই, মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা ওষ্ট্রেলিয়া মচা লিশিং ৩৬ পন্দুনা লৈরি। মসিগী মনুংদা ক্রিকেট শান্নরোয় য়াওনা ওষ্ট্রেলিয়া মচা ৯,০০০ ইন্দিয়াদা লৈরি।

মমাংদা ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসননা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াগী আই পি এল শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিং অদুনা লৈঙাক্কী অয়াবা য়াওদনা মশা মথন্তা চৎচবা মরম্না মখোয় মশা-মশাগী রিসোর্ছকী মতুংইন্না ওষ্ট্রেলিয়াদা হল্লক্কদবনি হায়রি। সিদনি মোর্নিং হেরাল্ডগী রিপোর্ট অদুনা মখা তারদুনা অথিংবশিং অসি থম্লক্লবদি ওষ্ট্রেলিয়াগী ওইনা অহানবা ওইনা লৈবাক অদুদা হল্লক্কদবা মীওইশিং অসি ক্রাইম অমা তৌরুবগা মান্নবা লৌগদৌরিবনি।

নীংশিংবা য়াই, আই পি এলদা শরুক য়ারম্বা ওষ্ট্রেলিয়াগী অদাম জলপা, কেন রিচার্দসন অমদি এন্দ্রু টাই কটার ফাওরগা ওষ্ট্রেলিয়াগী বোর্দর থিংজিন্দ্রিঙৈদা ময়ূম য়ৌবা ঙমখি। লৈহৌরিবা অতোপ্পশিংনা ওষ্ট্রেলিয়াগী লৈঙাকপু পেন্দবা ফোঙদোরক্লি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 96

**Utsab, Chatterjee (2163) - IM Kathmale, Sameer (2326)**
**26th Abu Dhabi Masters Abu Dhabi UAE, 2019.08.05**

1.e4 c6 2.d4 d5 3.Nc3 dxe4 4.Nxe4 Bf5
5.Ng3 Bg6 6.h4 h6 7.Nf3 Nd7 8.h5 Bh7
9.Bd3 Bxd3 10.Qxd3 e6 11.Bd2 Ngf6 12.O-O-O Be7
13.c4 b5 14.Ne4 bxc4 15.Nxf6+ Nxf6 16.Qxc4 Qd5
17.Qa4 O-O 18.Ne5 Rfc8 19.Be3 c5 20.Kb1 Rab8
21.Qc4 Qb7 22.Qe2 c4 23.Ka1 Nd5 24.Rb1 Nb4
25.Rbc1 Qa6 26.b3 cxb3 27.Qxa6...

**QUESTION :**

**Black to win**

**Puzzle 95 Ans. :**

**38.** Re2 d3 **39.** Red2 b5 **40.** Bxd3 Rxd3 **41.** Rxd3 Qxf2#
**38.** ...d3 **39.** Red2 b5 **40.** Bxd3 Rxd3 **41.** Qa8+ Kf7 **42.** Qh8 Rxg3+ **43.** Kh1 Qc6+ **44.** Rd5 Qxd5+

## ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মীফম য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী ওইবা চহীগী ওইবা মীফম অমা মে থাগী ২দা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু লৈরক্লিবা কোভিদ-১৯গী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী খোঙথাং অমা ওইনা মখা তাবা মতম নৌনা লেপত্রিবা ফাওবা য়ৈথোক্লে হায়না জেনরেল সেক্রেটরি ডা. মোইরাংথেম মনিমোহোননা প্রেসতা পীরকপা মেমোরেন্দম অমনা খঙহল্লক্লি।

মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টনা থা অসিগী ২৯দা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না ইন্দিয়াদা নৌনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভ অসি মখা তানা শন্দোকপা থিংননবা অমদি মীয়াম্বু ঙাক শেন্নবগী লৌখৎলকপা খোঙথাংশিংগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজরশিং অসিগী য়েংলগা মে থাগী ২দা অকাম্পাৎতা লৈবা ইলেভেন ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়নগী ওফিসতা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী চহীগী ওইবা জেনরেল বোদি মীফম অদু য়ৈথোক্লে হায়না মেমোরেন্দম অদুনা মখা তারি।


**MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY SECRETARIAT**

**NOTIFICATION**

*Imphal, the 30th April, 2021.*

*No. 01/01(01)/2021-LA(Estt):* In continuation of this Secretariat Notification of even number dated 16-04-2021 and Notification No. 01/04(22)/2021-LA(E)DR dated 22-04-2021 and in pursuance of Order No. H-1601/6/2020-HD dated 29-04-2021 issued by Home Department, Government of Manipur thereby suspending all activities and movement of persons, except the permitted activities listed therein, it is hereby informed to all the candidates who had applied for direct recruitment to the posts of Assistant Security Sub-Inspector (A.S.I.), Secretariat Assistant(SA), Security Woman, Binder, Labourer, Attendant, Sweeper & Cook and issuance of forms for the post of Under Secretary, respectively in the Manipur Legislative Assembly Secretariat that the entire process of recruitment has been postponed with immediate effect until further notice in this regard.

Sd/- **G. Tapankumar Sharma**
Joint Secretary (Admn.),
Manipur Legislative Assembly.

HL-B/6957/1



OFFICE OF THE
YAIPHARE GROUP OF FINANCE
(Y.G. FINANCE)
H.O. CHINGMEIRONG NEAR EASTERN MOTOR
IMPHAL EAST – MANIPUR

Be a winner of Rs. 20 Lakhs
Lucky Draw Rs. 1 Lakh
Starting From 15th May, 2021
Monthly Rs. 4000/-
Lottery Cum Tender

☞ Urgently Wanted 50 Agents
☞ Agents will get monthly income Draw Timing : 2 :00 p.m.

For more details Plize Contact
Office timing 9:30 a.m to 4:00 p.m.
Contact No. 7642042874, 9362147856

Sd/-
Manager
Yaiphare Group of Finance

HL-B/6847/12/3-11/4 (alt)